এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপনা ওলিম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইনবা থৌদাং লৌরি : মেরি কোম

ন্যু দেল্লী, মে ১৯ (এজেন্সী):

জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্লনবা য়াম্না কন্না শিল্লিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা গেমস অদুদা বোক্সিংগী লম্‌দা অরোইবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপনা বোক্সরশিংগী ওইনা ওলিম্পিক্স য়ৌননবা হোৎনরকপদা খ্বাইদগী অরোইবা লম্বেল ওইরিবনি হায়না মাংজৌননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবী মেরি কোমনা ফোঙদোরক্লি।

মেরি কোমগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী অথিংবা কয়া অমা ইন্দিয়াগী লৈঙাক খক্তা নৎতনা অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংগী বোক্সিং এসোসিএসনশিংনসু মখোয়-মখোয়না য়ূম্বু ওইরমগদবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ কয়া কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা ইকোন কোন্না দিসিপ্লিন অসিগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা শান্নরোয় খনবগা মরী লৈননা মমাংদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা খনগৎলবা শান্নরোয় কয়া য়াওখ্রবসু মখা তানা টিম অদুদা সপোর্ট শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমখি। কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা এম সী মেরি কোমনা অহানবা ওইনা মালেমগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবা এসিয়াগী বোক্সরশিংগা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং সিটি দুবাইদা বোক্সিংগী লম্‌দা অনৌবা অমদি অরোইবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দশিং অদু লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

মরক অসিদা, জপানদা লৈবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অদুনা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা চৈথেং অদুনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি তোকপগী ফীভমদা লৈখি।

মেরি কোমনা হৌজিক মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটকী শান্নবুংদা মাংজৌননা থুংখ্রবা ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী বোক্সরশিং অদুগা উনবা ফংখি। মেরি কোমনা মখা তানা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবা অদুদা ফোঙদোক্লদুনা মহাকমশামক শান্নরোয় অমা ওইবতা নৎতনা মচা ফাইবোক অনীগী মমাসু ওইরি। অদুগা মপুরোইবগীসু চপ চাবা থৌদাং লৌরি হায়বগী ৱাখল্লোন ফোঙদোরকখি। অকনবা মওংদা নুপীগী বোক্সরশিং পুনেগী সেন্টর অদুদা ট্রেনিং চথুরি।

কোচ ষ্টিমেকনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয় ২৮গী প্রোবেবল মমিং লাউথোরকপদা মণিপুরদগী ৬ য়াওবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোলগী চীফ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী মরক্তা য়ানবা পুরকপদগী কটারগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ অমদি এ এফ সী এসিয়ন কপ চাইনা ২০২৩ ক্বালিফায়িংগী শেম শানবগীদমক শান্নরোয় ২৮গী মমিং লাউথোকখিবদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৬ য়াওখ্রে। মখোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পর ধীরজ, উদান্তা, চিংলেনসনা, য়াসির মহমদ, বিপিন অমসুং সুরেশনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপাগী এলিট ফুটবোল শান্নরোয় ২৮ খনগৎখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা কুমজা ২০২২দা কটারগী সিটি দোহা অমসুং অতোপ্পা সিটিশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদৌরিবনি। মদুদসু নৎতনা এ এফ সীগী এসিয়ন কপ ২০২৩গী ক্বালিফাই ওইনবগী তাঞ্জা অমসু লাক্লিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা হৌখিবা সিজনদগী এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী টিম অমা ওইনা শরুক য়াখিবা এফ সী গোৱা য়াম্না ফজবা মওংদা মেটচ ৪ শান্নবদা অনী দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ অনী মায়থীদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবগী খূদোংচাবা ফংখিদবনি।

ইন্দিয়া লৈবাক খক্তা নৎতনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী ওইবা চৈথেং লৈরকপা মরম্না মমাংদা পাঙথোক্লনবা শেম শাখিবা সেদ্যুল্ড পূম্নমক নৌনা শেমদোক্তুনা খূদোংচাবা ফংলমগদবা কয়া অমসু লৈবাকশিং অদুনা মাঙজবা য়াওখি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী চৈথেং অসিনা নোংমদা পোজিটিভ ওইবগী মশীং অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী কা-হেন্না য়াম্বা মরম্না লৈবাক অসিদগী লাকপা ফ্লাইট পূম্নমক চঙবা য়ারোই হায়না য়ুরোপ খক্তা নৎতনা অতোপ্পা কন্টিনেন্টকী লৈবাকশিংনসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কটারদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা ঙসি অথেংবদা খোঙশাল্লবা মতুং মফম অদুদা জুন ৩দগী শান্নগদৌরিবা ফিফা ২০২২ অমসুং এ এফ সী এসিয়ন কপ ২০২৩ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

হেল্থ ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা কটার তম্না চৎকদবা শান্নরোয়শিং অদু পুং ৪৮গী মাংওইননা আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯গী নেগেটিভ ওইরবা কান্দা চৎকদবনি। মমাংদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অদুনা বাইও ববলগী মনুংদা লৈদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈরকখিবনি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোরকখি। মহাক্না হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি য়েংলুরগদি শান্নবগী হীরম খূদিংমক তোকহনবা য়ারিবনি। চহী অসিগী মে থাদগী কোলকাটাদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী নেসনল কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুসু লাইচৎ অসিনা কনশিল্লকপদগী পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি।

টিম কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা মখা তারকপদা, ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়ু এ ঈদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় কয়াবু লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং পূম্নমক লৌখৎনবা খঙহনখি।

ইন্দিয়াগী টিমনা জুন ৩দা কটারগা এসিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকীদমক মেটচ ১ শান্নগনি। মদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ওইরিবা কটারগা জুন ৩দা শান্নরবা মতুং বাংলাদেশকা জুন ৭তা থেংনবা লোইরগা জুন ১৫দা অফঘানিষ্টানগা মখা তানা লম্বা তৌনগনি।

য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মস মায়থীবা পীদুনা চেক রিপব্লিককী কেটরিনা সিনিয়াকোভা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

পার্মা, মে ১৯ (এজেন্সী):

নুপীগী মতম শাংনা সিঙ্গলসকী মালেমগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরম্লবী য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মস ইটালিদা পাঙথোকপা ইমিলিয়া-রোমাগনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিককী কেটরিনা সিনিয়াকোভানা মায়থীবা পীখ্রে।

সিনিয়াকোভা অমদি সেরেনা ৱিলিয়মসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লেংমান্নবা অমনা অমগী সর্বিস ব্রেক তৌবা ঙমদনা লাকপদগী সেট অদুগী গেম ১২ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈখ্রবা মতুং টাই ব্রেকতা সিনিয়াকোভানা ৭-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা নহা ওইরিবী সিনিয়াকোভাগী মায়কৈদগী ফজবা শোট কয়ানা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মসপু অৱাবা পীখিবগা লোয়ননা খূদোংচাবা ফংবশিং অদু পোইন্ট ওন্থোক্তুনা সেরেনাগী সর্বিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা লৈখি। লোয়ননা সিনিয়াকোভানা মশাগী সর্বিস গেমশিং অদু শোয়হন্দবদগী অনীশুবা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেটরিনা সিনিয়াকোভানা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু জর্মনিগী এ এল ফ্রেদসামবু ৬-২, ৬-৪দা থোইরন্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবী ফ্রান্সকী সী গার্সিয়ানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী সারা ইরানি অমদি য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফেন্স লম্বা তৌনরগনি। ইরানিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী সোরিভস টোর্মোগা সেট অমমম্ থোইনরবা মতুং অহুমশুবা সেটতা গেম ২-২ মান্নদুনা লৈরিঙৈদা টোর্মো শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবনা ইরানি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্কী লম্বা ওইখিবী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দি কসাটকিনাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু য়াম্না শোথনা ১-৬তা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেট অদু য়াম্না ফজবা মওংদা ৬-৪, ৭-৫দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুকয়ারকখিবী চাইনাগী ক্যু ৱাংনা মহাক্কী লম্বা ইটালিগী এম দি গুইসেপিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিক অমদি রসিয়াগী সামসোনোভা অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

ওলিম্পিক গেমস মাংওইননা গেমস ভিলেজদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কনি : বেক

টোকিও, মে ১৯ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না চহী অমা য়ৈথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী গেমস ভিলেজদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা মেম্বর অয়ান্বা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কনি হায়না ঙসি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চীফ ওইরিবা থোমাস বেকনা ফোঙদোকখ্রে।

থোমাস বেকনা মখা তারদুনা হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা টোকিওগী ওলিম্পিক ভিলেজদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী চাদা ৭৫ মাংজৌননা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবনি হায়না ওলিম্পিক ওফিসলশিংগা পূন্না পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

থোমাস বেকনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজর কম্মিটিগী মায়কৈদগী পায়খৎকদবা খোঙথাংশিং অদু লোইশিনগদবা য়াম্না ৱাৎলি। য়ামদ্রবদা চাদা ৮০দি গেমস ভিলেজ অদুদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না ভেক্সিন কাপথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী জপানদা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা ৱেভকী চৈথেং অসি থেংননবা হোৎনবদা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংগী মশীং ৱাৎলকপা অদু মেনশিন্নবা অহেনবা পর্সনেলশিং পুশিল্লকপা য়াবগী খূদোংচাবা অদু পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি দেলিগেসনগী মনুংচন্না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা হেল্থ/মেদিকেল পর্সনেলগী অহেনবা পাঙ্গল লৈহন্নবা খূদোংচাবা পীখি। হীরম অসিগী মতাংদা থোমাস বেকনা য়াম্না কুপ্পা মওংদা হেল্থ পর্সনেল মশীং অকক্নবদি ফোঙদোকপা ঙমখিদে। অদুবু জপানগী মীয়াম্না হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অদুদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা পীরিবা চৈথেং অদু থেংনবদা হেল্থ সেক্তরদা পর্সনেল মশীং ৱাৎলি হায়বগী তোঙান-তোঙানবা মফম অদুগী পাউ চেশিংদা ফোঙদোক্লরকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না আই ও সীনা অহেনবা মেদিকেলগী পর্সনেলশিং মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরগী চীফ ওইরিবা সৈকো হসিমোটোনা ফোঙদোরকখিবদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থল্লক্লিবা ভেক্সিন কাপ্পগী অমদি অৱাৎপা হেল্থ পর্সনেলশিং মতেং পাংবগী ৱাফমশিং অদু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লবা শিল্লি হায়খি।

থোমাস ম্যুলর অমসুং মেটস হম্মেলস জর্মনিগী য়ুরো ফুটবোলগী টিম লাউথোকপদা য়াওখ্রে

বর্লিন, মে ১৯ (এজেন্সী):

য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী শান্নরোয় ২৬কী ওইবা টিম অমা জর্মনিনা লাউথোরকপদা ৱর্ল্ড কপ মায় পাকপদা শরুক য়াবা ঙমখিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা থোমাস ম্যুলর অমসুং মেটস হম্মেলস টিম অদুদা শরুক য়াখ্রে।

কুমজা ২০১৪ ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা জর্মনিনা টাইটল লৌখিবা অদুগী মতুং কুমজা ২০১৮গী ৱর্ল্ড কপতা য়াম্না শোথবা মওংদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরবা জর্মনিগী ফুটবোল টিম অদুগী মনুংদা থোমাস ম্যুলর অমসুং মেটস হম্মেলস য়াওখিবনি। মসিদসু নৎতনা মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতসু জর্মনিগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদবনি।

অদুবু জর্মনিগী টিম কোচ ওইরিবা জোকিম লোনা মহাক্কী শান্নরোয় ২৬কী মমিং লাউথোরকপদা বেয়র্ন ম্যুনিককী থোমাস ম্যুলর অমসুং বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মেটস হম্মেলসপু টিম অদুদা শরুক য়াহন্নবা মমিং লাউথোরকপনি।

জর্মনিগী ফুটবোল টিম মমাং চহীগী নবেম্বর থাদা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগকী মেটচ অমদা স্পেনগী মখূৎতা য়াম্না শোথবা মওংদা পাঞ্জল ০-৬তা মায়থীবা নংখিবনি। অদুবু ৱর্ল্ড কপ মায় পাকপদা শরুক য়াখিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা থোমাস ম্যুলরনা বুন্দেসলিগাগী মেটচশিংদা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী শান্নদুনা পাঞ্জল ১১ চনবা ঙমখিবা অমদি অতোপ্পা পাঞ্জল ১৮ চনবদা মহাক্না বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবগীদমক মহাকপু টিম অদুদা নৌনা কোচ ওইরবা জোকিমনা কৌখৎখিবনি।

লোয়ননা জর্মন কপকী হন্দক্তা নৌনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী মেটস হম্মেলসনা টিম অদুগী মায় পাকপগী লম্বেলদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুনা মহাকপুসু জর্মনিগী শান্নরোয় ২৬কী মমিং লাউথোরকপদা য়াওখিবনি। জর্মনিনা য়ুরো ২০২০গী গ্রুপ ঐচকী মেটচ পূম্নমক লৈবাক অদুগী ম্যুনিক সিটিদা য়ূম্বু ওইরগা শান্নগদৌরি। মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্টুগল, হঙ্গেরি অমসুং ফ্রান্স য়াওগদৌরি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কোশিক অমসুং সটিশ এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ য়াওররোই

ন্যু দেল্লী, মে ১৯ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর মনিশ কৌশিক অমসুং সটিশ কুমার থা অসিগী ২১দগী য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা দুবাইগী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শরুক য়াররোই হায়রি।

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী বোক্সিং কোচ অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মনিশ কৌশিককী খ্বাইদগী নৌনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট অদু নেগেটিভ ওইরকপদা হরাউবা ফোঙদোক্লখি। অদুবু মহাক মমাংদা লৈরম্বা ফীভম অদু য়ৌনবগীদমক ট্রেনিং চথুগদবা ৱাৎপা মরম্না থা অসিগী ২১গী দুবাই এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিরোই হায়না ফোঙদোরকপনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা সটিশ কুমারনা মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা কিলোগ্রাম ৯১গী কাঙলূপ্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং হৌজিক-হৌজিক কম্পিটিসন শরুক য়াবদা মশাগী ফীভম ফিট ওইবা খরা ৱাৎপা মরম্না মহাকসু দুবাইগী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিরোই হায়না ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা দুবাই এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা মে ২২দা খোঙশানগদৌরি। মরমদি ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুগী বাউটশিং অদু টুর্নামেন্ট অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখিবা সেদ্যুল্ডগী মতুংইন্না মে ২৪দগী হৌগদৌরিবা অদুননি। অদুবু মনিশ অমসুং সটিশ কেম্পতা মখা তানা ট্রেনিং চথুগদৌরি।

ইন্দিয়াগী শুটিংগী ফোরেন কোচ পাভেল স্মিরনোভ ক্রোএসিয়াদা ইন্দিয়াগী শুটিং টিমদা মতেং পাংলগনি

ন্যু দেল্লী, মে ১৯ (এজেন্সী):

জুলাই ২৩দগী জপাননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংনবগী খোঙথাংদা শুটিং টিমনা ক্রোএসিয়াগা এক্সপোজর কম ট্রেনিং টুর অমা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা পিষ্টোলগী ফোরেন কোচ অমা ওইরিবা পাভেল স্মিরনোভ ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অহানবা খোঙচৎতা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা টিম অদুবু লমজিং-লমতাক্লবা মফম অদুদা য়ৌরগনি হায়রি।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি রজিভ ভটিয়ানা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুগী কোচকী থৌদাং লৌগদৌরিবা ইন্দিয়া মচা সমরেজ জং অমদি রোনক পন্দিটসু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু মতেং পাংননবা ক্রোএসিয়া য়ৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা পাভেল স্মিরনোভনা কোচ ওইরগা ইন্দিয়াগী শুটর বিজয় কুমারবু লমজিং লমতাক্তুনা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংহনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী নেসনল পিষ্টোল টিমগী ফোরেন কোচ ওইবগী থৌদাং অদু পাভেল স্মিরনোভতা খূৎশিন্নখিবনি। মমাংদা স্মিরনোভকা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটরশিংগী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈখ্রবসু মহাক্কী এক্সপরিয়েন্সনা হৌজিক্তি শুটর খূদিংমক্না পাল্লি।

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 114

Gruenberg, Rainer (2255) - Zbikowski, Wolfgang (2280)
Bundesliga 8485 Germany, 1984

1.d4 d6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.e4 Nf6
5.f3 O-O 6.Bg5 c5 7.d5 e6 8.Nge2 Qa5
9.Bd2 Qb6 10.Rb1 exd5 11.cxd5 Nbd7 12.Ng3 h5
13.Be2 Re8 14.Be3 h4 15.Nf1 Nh5 16.Nd2 Qd8
17.Nb5 Nb6 18.b4 Nxd5 19.exd5 Rxe3 20.Nc4 Re7
21.O-O Nf4 22.Re1 a6 23.Nbxd6 Bc3 24.Qc1 Bd4+
25.Kf1 g5 26.bxc5...

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 113 Ans. :

20. ...f4 **21.**Rh8+The white rook decoys Black's bishop.Bxh8 **22.**Qh2 Bg7 **23.**Bxf6 Rh5 **24.**Qxh5 Re8 **25.**Qh7+The white queen forks Black's bishop and king.
25. Qh8+Bxh8 **26.**Rxh8#Opera mate
25. ...Kf8 **26.**Qxg7#
21. Qh2 Nxh5 **22.**Bxd8 Rxd8 **23.**Nd5 Ng3 **24.**Qh7+ Kf8 **25.**Qh4 Re8 **26.**Bxc4 Rxc4 **27.**Nf6 Bxf6 **28.**Qxf6 Nxh1 **29.**Qxd6+ Re7 **30.**Qh6+ Kg8 **31.**Qg5+ Kf8 **32.**Qh6+ Kg8 **33.**Qg5+ Kf8
1/2-1/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com